থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

হৈবোক চীংদা ষ্টার হোটেল শাদৌরমাল্লে !

মণিপুরগী অহানবা ৱারী অচৌবা (উপন্যাস) ডা. কমলগী মাধবীনা ইম্ফালদগী পংলাপ লাপ্তুনা লৈবা চীং মচা অমখক্তা লাইরিক্তুগী অপাবা, লমদমসিদা পোকপা ইরৈচা খূদিংমক্কী থম্মোয়দা কাউঙমদবা মমি ওইনা তাহনখি। চীং অদুগী চীংখোঙ চীংয়াদা তাবা খুঙ্গং অমদা থোকপা থৌদোক খরদা যুম্ফম ওইদুনা শাগৎপা, পীক্তক তৌবা ৱারী মচা অমনি মাধবী। চীংদুম অদুগী মমিংনি হৈবোক চীং। হৈবোক চীংগী দৃশ্য হায়না মিংথোনবা ৱারী তাঙ্কক অদুদা শৈথারিবা চীংগী নাপোম অদুগী ফজবা পারিঙৈদা মীৎসিনা চিংশিন্দুনা উখিবা শক্তমদু পাখঙমচা ওইরক্কবা কান খোইদাজবী কনাগা নোংম ফাদোক কোইমিন্নরগে খন্দুনা য়েংবা চৎলুবদুদি মীৎমাঙদা উরুবদুনা ৱাৎলমই। মাধবীনা নীংশিংহল্লম্বা হৈবোক চীংগী ফজবদুখক নত্তে। কাঞ্চিপুর রাস মন্দলসুনি। রাধা কৃষ্ণ অনীনা গোপিশিংগা লোয়ননা অশুকপা জঙ্গলগী এটমোষ্টফ্যেরদা শান্নবা রাস লীলা নীংশিংহনবা জগোই রাস, মফমদুদা শান্নরমগনি হৌখ্র মতম অমদা। মতমগা চুনবা মওংদা মফম অদু শেমগৎপা ফোরেন টুরিষ্ট নত্তবা দোমেষ্টিক টুরিষ্ট কয়া অমদি শুপশোয় শোয়দনা চিংশিল্লক্কনি। দান ব্রাউনদা 'দি ভিন্সি কোদ' পারুবদগী মীনা কাউনরুরবা পেরিসকী সেন্ট পোলস কেথিদ্রেল (চর্চ)তা মশীং খণ্ডদ্রবা টুরিষ্টশিং লাকখিবা পাউচেশিংদা ইনখিবদুনি। মপূন্সিদা নোংমতসু শিলং চৎলুদ্রিবা মীশক অমনা ডোক্টর কমলনগী মাধবী পারুরগা মশা মথন্তা শিলংগী শক্তম অমা শোয়দনা শাগৎপা ঙমগনি। ঙসি ঐনা ডোক্টর কমল অমদি মাধবী নীংশিংলুবদি খোরিরোলগী পাউদম ইগে/তমগে খঞ্জরুবগী নত্তে। মোদর্ন লিভিং অসিগী ষ্ট্রেস-ষ্ট্রেন ময়ামসিনা পোকহল্লকপা টেন্সন অমদি হাইপরটেন্সন ময়ামদগী ঙাইহাক পুঙ্গোয় নাম্থোক্লবা মফম থিরকপদা হৈবোক চীংশাং নীংশিংলকপনি। হৈবোক চীংগী মশাইকোন মতম কুইনা থওইবীদা মীয়ামদুনা থম্বীরল্লবা অনৌবা মেনেজিং কম্মিটি অমনা মীয়ামগী মতেংগা লোয়ননা নৌনা শেমগৎ-শাগৎলক্লিবা 'হৈবোক মহাদেব খুভম'-মরক মরক চৎচবা পূক্লিংসিগী পোখাফম অমা পীরিবা ঈংলবা মফম অমনি। ডোক্টর কমলগী পূক্লিং শুক্ষৎখিবা হৈবোক চীংগী চীংগোলনি। লৈখিদ্রবা ইপা-ইপুগী থৱায় মিরেলনা লাইরৈপাক্তা তিনখিনবা মচা ওইবা কয়ানা থাপ্পবা মফমদা চত্তুনা গঙ্গাগী ইরোলনুংদা অরোইবা তর্পন কৎনবা তির্থ চৎপই মহুত্তা ইরমসিদা চেল্লিবা তুরেলশিংনা গঙ্গাদগী তাবা নত্তে। ইরমসিদা কৎপা য়াই খলহনখিবা চীংগোলসিদগী হৌখিবা ঙসিদি ঈচেল লেপখ্রবা চন্দ্রনদি তুরেল উরুবদনি। ইশাগী ওইজ ওইথক থিবা পূন্সিদুবু তুংওইনরল্লগা লম্বী চৎপা অৱাবা তারবশিংগী মতেং পাংদুনা পূন্সি লেল্লগে তেংশিংনখ্রবী মাধবীগী চরিত্র শেমগত্তুনা সংসারসিদা লৈনা লৈনা সংসারসিবু থাদোক্তুনা চঙজফম লৌহনখিবা হৈবোক চীংগী চীংগোল উমং অসিদনি। ইতিহাস শাগোন্নবা থৌদোক্তুমক ওইখিদ্রবসু ইতিহাসকী থৌদোক্তুদগী হেন্না নীংশিংনরগদবা কাঞ্চি লৈকোলদা লৈহাও থিবৈ থৌদোক্লি মাধবীদা য়েক্লি। 'শজিবুদা শাৎপা লৈহাওদি য়েন্দাইদা হাপত্রবসু থম্মোয় থম্বা য়াইয়ে' নিংথৌ মচা অমদা মাবু নীংজিবী কনাগুম্বা অমগুম্না হায়রম্বগুম তারি ঐগী নাকোংসিদদি।

অসুম্না মহারাজ গম্ভীর সিংহ মশামক্লা কোনুং অমা শারল্লিবা হৈবোক চীংগী মশা অমদনি। অদুবু ঙসিদি মশাগী শক্তম মাঙখ্রবা ওইজবা থিবা মীওইবনা মাঙহল্লবা মহৌশাগী শক্তম অদুগী অহিংবা খুদম ওইরক্লে। লোইরোয় লোইরোয় হাইথরম্বা উচান পাম্বী হৌখিদ্রে। পুংকোক কোল্লবা চীংমায়দগী চীংজুম লাইজ চেন্থরকখিদ্রে। চন্দ্রনদি ঈচেলসু কুইরে ঈকংখিবা। হৈবোক চীংগী চীংগোলসে উমংগী শক্তম ৱাহে (দিফিনিসন) অদুগী ৱাংমদা লৈখিবদগী মণিপুর ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী চাইগোইনুংদা থমদ্রব্রা। মথৌ তৌদ্রবা ফোরেষ্ট ওফিসার অমদা শিন্নরগা থম্লম্লে। কনাগুম্বা অমনা ইনাক খুনবা কনাগী ময়ুম মকে শানবা, থিকা তৌবা থিকাদারগী থবক মফমদা হৈনবা চীংলৈবাক মথৌ তারবা হৈবোক চীংগোলদা লেংশিনবীয়ু। কোৎনিংবা চাংদা লৈবাক কোৎপীয়ু কনানসু থিংলক্লোই। থিংলকপা থোক্লবা কনাগুম্বা ৫০০ চৎপী, ২০০০ কয়ানা পীফম অমা লৈরম্মি, থোক পীথোকপীয়ু। ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট পায়রিবা মন্ত্রিদো চীংনুং মানুংদা চঙদুনা নিয়ম কায়না উমংগী পোৎ হুরান পোৎয়োন তৌগে তৌরম্বদা মশামক্লা ফারুবগী পাউ কয়া পাউচেশিংদা ফোঙনখিবনি। ইনক নকপা খুৎনা লাম্বা ফংবা খোঙকাপ খরা থাংলগা য়ৌবা মফমসিদা তৌরিবা অকায় অতোয় ময়ামসিদি য়েংলদে, নোংমতসু য়ৌরক্তে। খঙদবদি ওইরল্লোই।

থাজবীদ্রবদি হয়েংমক চত্তুনা য়েংবীরুচো গাড়ী মচানা চৎপদা পুঙ্খায় ফানা চংদবনি। তরাহৈ মুস্লিম খুল, চন্দ্রনদি নৎত্রগা খৌপুম অমদা হেক্তা চৎপীয়ু। হকথেংননা উগনি। হৈবোক চীংবু টুরিষ্ট স্পোট অমা ওম্বোক্লবা চীংয়াং অমা তেমথোক্লগা ফাইব ষ্টার-সেবেন ষ্টার হোটেলশিং, সোপ্পিং মোল, গার্দেননচিংবা শেমগত্তুনা স্কৱার অমা শাদৌরিব্রা।

লৌশিং পুক্কে

ইনখৎলকপা মতমদা কা-হেন্না নোয়বা অমসুং লূম্বা মীওইশিং অহল ওইরক্লগা লিভর কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ

ইনখৎলকপা মতমদা হকচাংগী অরুম্বা হেল্লবদি তুংগী পুন্সিদা খুদোংথিবা কয়ামরুম মায়োক্লরকপা য়াই হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

স্বিদেনদা লৈবা কেরোলিনস্কা য়ুনিভর্সিটিগী হেন্স হেগস্ট্রোমনা লুচিংদুনা চথুখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, ইনখৎলকপা মতমদা কা-হেন্না নোয়বা অমসুং লূম্বা মীওইশিং অহল ওইরক্লগা লিভর কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক ৱাংনা লৈ। মসিদসু নত্তনা নন অলকোহোলিক ফেট্টি লিভর দিজিজ (এন এ এফ এল দি), হেপাটাইটিস বি অমদি হেপাটাইটিস সীনচিংবা লিভরগী অনাবা কয়া মায়োক্লরকপা য়াই। অহল ওইরক্লগা হকচাংগী অরুম্বা হেনবদগীদি ইনখৎলকপা মতমদা হকচাংগী অরুম্বা হেনবনা খুদোংথিনিংঙাই ওইবা হেল্লি হায়বসু ষ্টদি অদুদগী খঙলকখি।

'জর্নেল ওফ হেপাটাইটিস'দা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টতা কেরোলিনস্কা য়ুনিভর্সিটিগী হেন্স হেগস্ট্রোমনা হায়খি, মালেমদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎলকপা মরম্না তোঙান তোঙানবা লিভরগী লায়না নাবগী চাং ৱাংখৎলকপনি। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসি মখা তানা অদুম্মক চথুবা তারবদি কুমজা ২০৩০ দা মালেমগী মীওই বিলিয়ন অনী হকচাংগী অরুম্বা হেল্লগনি অমসুং মীওই বিলিয়ন অমরোম কা-হেন্না নোয়রগনি।

রিছার্চরশিংনা স্বিদেনগী মীওই ৪৫,০০০ দা চহী ৪০ চুপ্পা ষ্টদি চথুরবা মতুংদা হায়খি, ইনখৎলকপা মতমদা হকচাংগী অরুম্বা হেনবা হায়বসি খ্বাইদগী খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওংনি। মসিনা থোকহল্লকপা য়াবা খুদোংথিবশিংদি কোরোনরি হার্ট দিজিজ, হায় ব্লদ প্রেসর, ষ্ট্রোক, টাইপ-টুদাইবেটিস, এবনোর্মেল ব্লদ ফেট, মেটাবোলিক সিন্দ্রোম, কেন্সর, ওষ্টিওঅরথ্রাইটিস, স্লিপ এপনিয়া, ওবেসিটি হাইপোভেন্টিলেসন সিন্দ্রোম, রিপ্রদক্টিব প্রোব্লেম অমসুং গোলষ্টোননচিংবনি।

হকচাংগী অরুম্বা হেনগৎলক্লিবমখৈ কোরোনরি হার্ট দিজিজ নারকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই। কোরোনরি অর্টরিশিংদা অনপ্পা পোৎশক ময়াম পৈশিল্লকপগী থৌওংবু কোরোনরি অর্টরি দিজিজ হায়না খঙনৈ। মসিনা মরম ওইরদুনা হার্টতা ওক্সিজেন মরাং কায়না য়াওবা ঈ য়ৌহনবা ঙমদবদগী হার্ট এটেক, এঞ্জিনা নৎত্রগা হার্ট ফেল ওইহল্লকপা য়াই।

হার্টতগী ঈ থাদোরকপা মতমদা ঈনা অর্টরিগী ৱালদা পীরকপা শাফু অদুবু ব্লদ প্রেসর কৌই। মতম শাংনা ব্লদ প্রেসর ৱাংদুনা লৈরবদি হকচাংগী কয়াৎশিং অমাঙ-অতা থোকহল্লকই। হকচাংগী অরুম্বা অমসুং অনোয়বা হেল্লবদি ব্লদ প্রেসর ৱাংখৎলকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই।

হকচাংগী অরুম্বা হেল্লবদি ঈ উতোংদা অনপ্পা মপং মপং পৈশিল্লত্তুনা ঈ ফমজিল্লকই। ব্রেন মনাক নক্লা ঈ ফমজিল্লক্লবদি ব্রেনদা ঈ অমসুং ওক্সিজেন মরাং কায়না ফংবা ঙমদবদগী ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াই। হকচাংগী অরুম্বা হেল্লিবমখৈ ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই।

হকচাংগী ব্লদ গ্লুকোজ নৎত্রগা ব্লদ সুগর ৱাংখৎলকপগী থৌওংবু দাইবেটিস কৌই। ঐখোয়না চাশিনখিবা চীঞ্জাক পুম্নমক গ্লুকোজ ওন্থোক্লগা হকচাংগী সেল পুম্নমক্তা য়েন্থোকই। সেলশিংনা ইন্সুলিন কৌবা হোর্মোন অমা শীজিন্নরগা গ্লুকোজ পুম্নমক ইনর্জিদা ওন্থোকই। টাইপ-টু দাইবেটিস নারবদি হকচাংগী সেলশিংনা ইন্সুলিন মওং তানা শীজিন্নবা ঙমদে। অহানবদা হকচাংদা ইন্সুলিন মরাং কায়না পুথোক্লম্বদগী অকোনবদা ইন্সুলিন পুথোরক্তবদগী ব্লদ সুগর লেভেল কন্ট্রোল তৌবা ঙল্লক্তে। দাইবেটিসনা মরম ওইরদুনা মীওইববু ক্রোনিক হার্ট দিজিজ, ষ্ট্রোক, কিদনি দিজিজ, মীৎ তাঙবা অমসুং মনুং মতম চাদনা শিহনবা য়াই। টাইপ-টু দাইবেটিসনা নারবা মীওই অয়াম্বা হকচাংগী অরুম্বা হেল্লি।

কনাগুম্বা মীওই অমা হকচাংগী অরুম্বা হেল্লবদি ঈদা য়াওবা ফেটকী চাং ৱাংখৎলকই। খুদম ওইনা ট্রাইগ্লাইসরাইদ অমদি এল দি এল (ফৎতবা কোলেষ্টরোল) ৱাংখৎলকপগা লোয়ননা ঐচ দি এল (অফবা কোলেষ্টরোল) হন্থরকই। মসিনা মরম ওইরদুনা ক্রোনিক হার্ট দিজিজগী রিস্ক হেনগৎলকই।

হকচাংগী অরুম্বা নৎত্রগা অনোয়বা হেনবনা কোলোন, ব্রেষ্ট, এন্দোমেট্রিয়ল অমসুং গোল ব্লদরদা কেন্সর নারকপা য়াবগী রিস্ক হেনগৎলকই। লোয়ননা খুউ, নীংজোল অমদি খ্বাঙগী শরূ তাইনফমদা চৈনাখোল ফাওহল্লকপা য়াই।

অনোয়বা মীওইশিংগী খৌরিদা ফেট য়াম্না পৈশিন্দুনা লৈরকপা মরম্না নুংশিৎ উতোং খুজিল্লকপদগী তুন্লিঙৈদা ঙাইহাক ঙাইহাক নিংশা শ্বর লেপ্পকই। কা-হেন্না নোয়বা নুপীদি থাগী খোঙকাপ শোয়রকপা মরম্না মীরোনবা অমসুং অঙাং উনবদা খুদোংচাদবা মায়োক্লে। অমরোমদা, অনোয়বা মীওইশিংগী গোল ব্লদরদা নুঙ লৈরকপদগী কয়াৎ অসি মথৌ নীংথিনা তৌরক্তবা য়াই। পুম্নমক অসিগী য়েংলুরগা মীপুম খুদিংমক হকচাংগী অরুম্বা চপ চানা থম্বগা লোয়ননা কা হেন্না নোয়হন্দনবা হোৎনগদবনি।

শুমাং লীলা নীংথম কুম্মৈ ৭নি শুবাঃ পীছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী লীলা *অশেংবা নুংশিবা* উৎখ্রে

নোমিতা খোঙবান্তাবম

ইম্ফাল, দিসেম্বর২০(ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলনা শীন্দুনা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেন্দা চথরকপা ১৪ রক শুবা শুমাং লীলা নীংথম কুম্মৈগী তরেৎনি চনবদা পীছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *অশেংবা নুংশিবা* মীংথোনবা লীলা উৎখ্রে।

পরিং নাইনা চথরকপা ঙরাং উৎখিবা লীলাগী খন্ন নৈনবা লীলা হৌদ্রিঙৈ মাংওইননা পাঙথোকপা থৌরমদা বি জুগোলচন্দ্র শর্ম্মনা চেয়র লৌখি। শুমাং লীলা নীংথম কুম্মৈ ২০১৭ গী সর্টিফিকেটসু য়েন্থোকখি। পীছ মেকর আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *অশেংবা নুংশিবা* মীংথোনবা লীলা অসি মনাওবী এম এমনা ইরগা নরেন্দ্র নিঙোম্বনা লমজিং লমতাকপনি। ম্যুজিক দিরেক্তর অমদি ঈশৈ ময়েক্তা সেরাম রঞ্জিৎনি।

লীলা অসি ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টকী ওইনা শান্নবা লীলা ওইবা মরম্না উমং কনবা, সঙাই কনবা অমদি মহৌশাগী খল কন্নবা হোৎনবা চঙই হায়বা লীলাদা যুম্ফম থোনবনি। অদুবু লীলাগী ৱারীদা সিরোই চীংদা লৈরিবা ফুংরৈঙমগা হোরামৱোনগা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌমিন কামিন্নরকখি। লৈশা-পাখং ফারক্লবা মতমদা নুংশিনরকখি। অদুবু হোরামৱোন অতোপ্পা রুংশুংমী কৌবা নুপা অমদা থাজখি। মসিনা মরম ওইরগা রুংশুংমীনা মাগী নুপী হোরামৱোনবু থাজদবা অমদি নুংশিনজবগী ৱাখলদা লুপ্তুনা লৈ হায়বগী লান্না খনবা ৱাখল্লোন অদুনা মাগী নুপীবু থাজবা ঙমখিদে।

ফোরেষ্ট রেঞ্জর ওইনা কৈবুল লমজাওদা পোষ্টিং লাকখিবা ফুংরৈঙমগা মৈতৈ চনু থোইনুগা থেংনদুনা নুংশিনরকখি। মসিদা নুংশি পন্থুং য়ৌনবা হোৎনবদা হোরামৱোন্না মচন শক্লা থৌদাং য়াখিবা ৱারীদা পুথোকপা অমসু ওই। অমরোমদা চীং-তমগী ফুরুপ, কাঙলুপ হায়বা লৈতনা নুংশিবা হায়বসিদি পাখঙ লৈশাদা থোকপা মহৌশানা পীবা খুদোলনি।

লীলা অসি য়েংবদা মীয়াম্না সঙাইবু কন্নিংবা অমদি উমংবু কন্নিংবা পোল্লমগনি হায়না থাজে। মরমদি মসিগুম্বা পাউজেল কয়া শুমাং লীলানা ঙসি ফাওবদা পীদুনা লাক্লি। অদুনা পাউজেল শন্দোকপা হায়বসিদা শুমাং লীলাগী মপুথোক মফোংদোক কয়াদা মীয়ামদা উহন্দুনা খঙহনবা ঙম্বগী থৌনা অদু শুমাং লীলাদনা হেন্না মায় পাকপা অমসু ওইরিবনি।

লীলা অসি খোঙজেল য়াঙনা চৎলি। পীরিবা কেরেক্তরশিংদা লীলারোইশিংনা মপুং ফানা থৌদাং লৌদুনা লীলা শান্নে। *অশেংবা নুংশিবা* মীঙ্গৌবা লীলাগীদমক্তদি মায় পাকপা লীলা অমনি। লীলাগী মপুথোক অমদি মফোঙদোক্তা অয়েংবশিংগী মীৎয়েং হোংহন্দনা শান্নবা লীলা ওইখি।

লীলা অসিদা নিপাগী শক্তম লাংখিবশিংদা ফোরেষ্ট রেঞ্জর ফুংরৈঙমগী শক্তমদা ৱাই অরুনকুমার, নোংদ্রেনগী শক্তমদা এম সুনিল (মাইবোই), রুংশুংমীগী শক্তমদা টি রগিটকুমার, তেলহৈবগী শক্তমদা অথোকপম সন্তোস, লৈরেঞ্জাওগী শক্তমদা ললিটকুমার হোদাম, ইবোথেগী শক্তমদা এস ইমোহনবী, ঙাচোনমীগী শক্তমদা এন তম্ফাস্নানি।

নুপীগী শক্তম লাংখিবশিংদি, থোইনুগী শক্তমদা এস দিপসন, হোরামৱোনগী শক্তমদা ৱাই মিলন অমসুং ইবেচাগী শক্তমদা ৱারিবম দোলমনিনি। নিপা খোঞ্জেলদা শৈশক্লিবা জিতেন নাওরেম অমসুং নুপী খোঞ্জেলদা শৈশক্লিবনা কান্তা লৈশাংথেমনি। গীটরদা মোইরাংথেম রোবর্ট, তল্লাদা বিনোয়, বাঁসিদা রোমাজিৎ, কি বোর্দতা সুরচান্দ অমসুং দ্রমদা তম্ফাস্নানি।

শুমাং লীলা নীংথম কুম্মৈগী নিপান্নি চনবা হয়েং নুংথিল পুং ২ তাবদা মমী আর্টিষ্ট এসোসিয়েসনগী *শম্বলগী হৱাই মতোন* লীলা উৎকনি।

মসিগা লোয়নবদা নুংথিল পুং ১ তাবদা খন্ন নৈনবা, মীয়ামগী ৱাহং, অইবা অমদি দিরেক্তরগী ৱারোল লোয়ননা মীয়ামগী সজেসন কয়ানচিংবা পাঙথোক্কনি।

কাংজম পদ্মকুমারগী *শম্বল* ইরিলবুংগী ষ্টুদিওদা উৎখ্রে

ইম্ফাল, ডিসেম্বর২০(ঐচএন এস): কাংজম পদ্মকুমারনা ইবা *শম্বল* হায়না মীংথোনবা দ্রামা অমা ঙসি ইরিলবুংদা লৈবা হুইয়েন লাল্লোং থাঙতা কলচরেল এসোসিএসনগী ষ্টুদিওদা উৎখ্রে। মশামক্কী অপোকপা পদ্মকুমারনা ইবা অমসুং থাংমৈবন্দ লাইরেনহঞ্জবা লৈকাইদা লৈবা ব্লুমিং কলচরেল একাদেমি ওফ পরফোর্মিং আর্টসকী আর্টিষ্টশিংনা শান্নখিবা দ্রামা উৎপগী থৌরম অদুদা আই পি আরগী কম্মিস্নর রাধাকুমারসু শরুক য়াখি।

নিঙোম্বম জাদুমনিনা দ্রামাটাইজ, ডিজাইন অমদি ডিরেক্সন পীখিবা *শম্বল* হায়রিবা দ্রামা অসিনা হন্দক চহীগী ওইনা একাদেমি অসিগী অনীশুবা খুদোলনি। নেসনল ফিল্মফেয়র এৱার্দী লৈশাংথেম তোম্থোইঙম্বীনা মরুওইবা শক্তম লাংখিবা দ্রামা অদুদা মৈতৈগী লিক্লোন শান্নবা অমসুং অরিবা মতমদা শীজিন্নরম্বা গ্রামাফোন রেকোর্দনচিংবা খোংবগী থৌওং উৎখি। লোয়ননা য়াল্লবা মীয়াম্না দ্রামা অদু মীৎয়েং তাখি।

भारतीय खाद्य निगम
क्षेत्रीयकार्यालय मणिपुर
ओल्ड असेंबली कम्प्लेक्स
इम्फाल- 795001, मणिपुर

FOOD CORPORATION OF INDIA
REGIONAL OFFICE MANIPUR
Old Assembly Complex
Imphal – 795001, Manipur

No.Stg.Dunnage(2)/RO-MAN/2017 Dated:-20.12.2017

NOTICE INVITING E-TENDER

For and on behalf of Food Corporation of India, the Dy. General Manager(R), Food Corporation of India, Manipur Region, Imphal invites open tenders online under TWO BID SYSTEM (Technical Bid and Price Bid) at Central Public Procurement Portal (https://eprocure.gov.in/eprocure/app) vide NIT No.NIT/Stg.Dunnage(2)/RO(MAN)/2017 dated 20.12.2017 for supply of dunnage pallets at various centres under RO Manipur viz FSD Sangaiprou, FSD Koirengei, FSD Ukhrul, FSD Senapati & FSD Jiribam.

The last date of online submission of the above mentioned tenders will be upto 02:00 pm of 11.01.2018. Details of the tender enquiry will be available at https://eprocure.gov.in/app w.e.f 9:00 AM of 21.12.2017.

Dated:- 20.12.2017

Sd/-
Dy. General Manager(R)

HL-B/4294/21

National Highways & Infrastructure Development Corporation Limited
(A Govt. of India Undertaking)

Branch office:-Imphal, Manipur, Transit Hostel (2nd Floor), Manipur Officer's Club, Lamphelpat, Phone: 0385-2416303, Email:nhidclimphal@gmail.com

NHIDCL invites online bids for the following work

Sl No.	Name of Project	Approximate Cost & duration of the work	Bid Security/EMD	Tender cost	Last date of bid Submission
1	Publication of Govt notification regarding "Repair & Maintenance of 35 Km (NH-150) in the State of Manipur from Yaingangpokpi to Finch Corner (Km 488.125 to Km 522.86)."	(a)Cost 10.43 Crs. & (b) Period of 12 months	20.86 Lakhs	5000/-	15/01/2018 (1400 hrs)

For further details please visit – www.nhidcl.com & https://eprocure.gov.in
NOTE: - Any change or amendment to this notice will be posted on the above website only.

Sd/-General Manager (P), NHIDCL, BO-Imphal.

HL-B/4292/21

BUILDING INFRASTRUCTURE , BUILDING THE NATION

FITNESS WORLD
FITNESS CENTRE AT 6375 SQ FT
25% DISCOUNT ON ADMISSION TILL DECEMBER
STRENGTH / SAUNA / STEAM BATH / PILATE / CARDIO / AEROBIC
SINGJAMEI MATHAK CHONGTHAM LEIKAI #8794917046, 7629022456, 7005417733
HL-B/4281/16-31Dec.(Alt.)